# সোর্ট অমদি নন ফিচরদা মীৎয়েং থম্বা হৌরক্তুনা নহা ওইরিবা দিরেক্টর কয়া চোংথোরক্লি





**একেন সিজগুরুময়ুম**

চহী তরা রোম অসিদা মণিপুরদা ফিল্মগী খোঙচৎ থোইদোক্লা হন্থদে হায়না লৌরগসু ফিল্মগী অচৌবা চংদম্লবদদি ইং ২০০১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা পেনোরামাদা য়াওখিবা ফিচর ফিল্ম অসি 'নোবাপ' নি। 'নোবাপ' কী মমাং অদুদা ইং ২০০২ দগীনা মতম অসি ফাওবা পেনোরামাদা এৱার্দ কয়া লৌদুনা লাক্লিবা অসি সোর্ট অমদি নন ফিচরননি। ঙসিসু মীওই কয়ানা সোর্ট ফিল্মদা অনৌবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মখোয় মখোয়না পাম্বা সবজেক্টতা সোর্ট ফিল্ম কয়া অমদি নন ফিচর কয়া নমদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরক্লি।

অনৌবা দিরেক্টর কয়ান অনৌবা চাংয়েং কয়া তৌদুনা সোর্ট ফিল্ম কয়া নমদুনা মপালদা থান্ননবা এটেম্পশিং কন্না তৌরি। ময়াম অসিগী মনুংদা নহা ওইরিবা ওইনাম সমানন্দা মৈতৈসু অমনি। মহাক্লা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংদা মিনিৎ ২০ লোম শাংবা নন ফিচর ফিল্ম অমা পুথোক্লবা মতুংদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী প্রিভিয়ু হোলদা পাউমী খরদা ফিল্ম অসি উৎতুনা য়েংহনখ্রে।



নুমিৎ অদুদা পাউমী মশিং য়াম্না লাকখিদ্রবসু সমানন্দগী ফিল্ম অদুবু য়েংদুনা কুপ্না খন্ন–নৈনখি। অফবা ফিল্ম অমা হায়বা অসি করিনো অমদি ফিল্ম অসিনা পিরিবা পাউজেল অসিনা করিনো হায়বা কয়াগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি। সোর্ট ফিল্ম অসি ও সমানন্দা মৈতৈনা ষ্টোরি, স্ক্রিনপ্লে, প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টর ওইবগা লোয়ননা মশামক্লসু মেইন রোল অসিবু কাষ্ট তৌদুনা উৎপা ফিল্ম অমা ওইখি।

হন্দক মুম্বাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা দিরেক্টর খরগী ফিল্মশিং উৎনবগীদমক ফেষ্টিভেল অদুগী কম্মীটিনা খল্লকখি। ফেষ্টিভেল কম্মীটিনা মিফতা উৎনবা খল্লকখিবা ফিল্ম অহুম অদুদি রোমি মৈতৈগী 'কাংখদা লিন', কে এস ঐচ বিশ্বামিত্রগী 'হিনাও' অমদি এলেক্সকী 'মাই গ্রান্দপাস হাউস' হায়বা অসিনি। ফিল্ম অহুম অসিবু খল্লকপদা নত্তনা মীজোগী ওইবা ফিল্ম অনী অমসু মিফতা উৎনবা খল্লকখ্রে হায়না পাউচেশিংদা ফোঙলকপা থেংনরে।

মসিনা তাক্লিবদি হৌজিক তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা সোর্ট ফিল্ম অমদি নন ফিচরশিংদা এটেম্প তৌবগী চাং অসি হান্নদগী হেনগৎলক্লি হায়বা অসিনি। মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎসু ইং ১৯৭১ দা কে টি ফিল্মসনা মিষ্টর মাইপাক সন ওফ মণিপুর হায়বা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা অহানবা ওইনা ফোঙখি। হৌজিক ফাওবা ফিল্মগী লৈরিবা খোঙচৎতা মিষ্টর মাইপাক হায়রিবা অসিনা অহানবা লমদম অসিদা পুথোকপা দোক্যুমেন্টরি অমসু ওইরি।

মসিগী মমাংদা দোক্যুমেন্টরি ওইনা উৎপা ঙমহৌদবা ফিল্ম খরসু অদুমক লৈ হায়না ঙসিসু ফিল্মগী খঙ–হৈরবশিংনা লৌরি। মখা তানা মতম খরা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম পুথোকপগী চাং হন্থরুরবসু ইং ১৯৯০ গী অদুৱাইদগীদি দোক্যুমেন্টরি পুথোকপনা চাং অমুক ৱাংনা লৈরক্লি। মতম খরা সেল্লুলোইদ ফিল্ম পুথোক্লিঙৈ মতমদা দোক্যুমেন্টরি পুথোকপগী চাং অসি য়াম্না হন্থরুরবনি। মতম অদুদা দোক্যুমেন্টরি পুথোকপা মীসু পংয়াম য়াল্লমদে। ইং ১৯৯০ গী মতুংদগীদি নহা ওইরিবা দিরেক্টর কয়া চোংথোরকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মখলগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম কয়া মথং মথং পুথোরকপা হৌরকখি অমদি নেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্মগী চাংদম্লবদা ফিচর ফিল্মনা কুম কাংলবসু নন ফিচর অমদি সোর্ট ফিল্মনা কুম কাংবা লৈত্রি। হন্দকসু মীওই কয়ানা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম কয়া পুথোক্লবা এটেম্প তৌরি অমদি মখোয় মখোয়না অপাম্বা টোপিকশিংদা ফিল্ম নম্বা হৌনখ্রে।

সোর্ট ফিল্ম অমদি নন ফিচর ফিল্ম কয়া পুথোরকপশিংনা লমদম অসিদা অচৌবা ইসু অমা ওইরিবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট (অফস্পা) না শোকহল্লবা কয়াদা য়ুমফম ওইরগা অয়াম্বা নম্নরি। বোবী ৱাহেংবমনা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা ফেষ্টিভেল কয়াদা উৎলুরবা ফিল্ম 'জোসেপকী মচা' হায়বা অসিসু অফস্পাদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমনি। মখা তানা অমুক মীওই কয়ানা ষ্টেট অসিদা য়াম্না মরুওইবা সমস্যা অমা ওইরিবা ঐচ আই ভি অমদি এঈদসতা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম কয়া পুথোক্তুনা নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী ওইবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াখি। মদুদা লিভিং ৱিট ঐচ আই ভি হায়বা ফিল্ম অসিদা হাওবম পাৱননা এৱার্দ কয়া ফংলকখি। অসুম্না নহা ওইরিবা দিরেক্টর কয়ানা অসুম্না সোর্ট অমদি নন ফিচর ফিল্ম কয়া পুথোক্লি। ইন্দিয়ান পেনোরামাদা দিজিটেল ফোর্মেটতা নম্বা মণিপুর ফিল্মনা শরুক য়াবা ফংদনা চহী খরা লৈরকখি। হায়রিবা মতম অদুদা দিজিটেল ফোর্মেটতা নম্বা নন ফিচর অমদি সোর্ট ফিল্ম কয়া শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংনবা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াদুনা লাকখি। ইং ২০০৯ দগী মণিপুরদা পুথোক্লিবা ফুল লেঙ্ক ফিল্ম অমা ওইরিবা ফিচর ফিল্ম কয়া অসি শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। মসিগী মতুংদগীদি মণিপুরীগী ফিল্ম খরদি ফিল্ম ফেষ্টিভেল য়াওদুনা এৱার্দ ফাওবা ফংলকখ্রে।

চিরবা মতমদা নন ফিচর অমদি সোর্ট ফিল্ম কয়ানা এৱার্দ কয়া লৌরকপা অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অমসু ফিল্ম পুথোকপা মতমদা নন ফিচর, সোর্ট অমদি দোক্যুমেন্টরিশিংদা খুৎ থানরি। অসুম্না ও সামানন্দা মৈতৈনা অহানবা ওইনা পুথোকপা 'কংলৈপাক্কী মীচেল' হায়বা ফিল্ম অসিসু নন ফিচর ওইনা খুৎ থারি। ফিল্ম অসিগী চউরাকপা ৱারিদি আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱারস এক্টকী মরুমদা খুৎলাই পায়বা পুলিস নত্রগা পোরমিলিটরিশিংনা সিভিল দ্রেস্তা লাক্লগা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়াবু ফুবা চৈবা অমদি তৌনিংবা মওংগী ক্রাইম কয়া চথবা অদুদা খাংঙমদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা নহা ওইরিবা য়ুমগী অচৌবা থৌদাং অমসু পুরিবা মীওই অমনা চেংথোক্তুনা মাইরোং য়ারুবা মদুনা মহাকপু য়ুমদা লৈবদা তং তবা অমা লৈতবদগী ময়ুম থাদোক্তুনা লোৎতুনা লৈখিবা কয়া অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎপনি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি সামানন্দা, অচৌবা, বোবো, সনাজাওবী অমসুং লৈমরেন্বীনি। ফিল্ম অসিগী ইডিটরনা ইবোমচা অমদি বোই য়াইখোমনি। সিনেমাতোগ্রাফিনা ইবোমচানি। ফিল্ম অসিদা সিনেমাতোগ্রাফর অমদি ইডিটরগী থোইদোকপা অশোয়বা উবা ফংদে। ইডিটর ইবোমচানা মশানা কেপচর তৌরকপশিং অদু অমুক হন্না ইডিট তৌথোক্তুনা ফিল্মগী খোঙজেল হন্থদনবা হোৎনখি। মহাকপু মতেং পাংলিবা বোই য়াইখোম্লসু ইবোমচানা ৱাংহৌবা শরুক কয়াদা অমুক তন্নদুনা ইডিট তৌবগী খুদোংচাবা অদু ফংবনা ফিল্ম অসিদা ইডিটিংদদি থোইদোকপা অশোয়বা য়াওদ্রে হায়বা য়াই।





সিনেমাতোগ্রাফর ওইরিবা ইবোমচানা অয়াম্বা মতমদা মিদ সোটতা থাদুনা ফিল্ম অসি য়েংলিবা মীয়ামদা মেদিয়মদা ওইনা উৎনবা হোৎনৈ। মরক মরক্তা লোঙ সোট অমদি ক্লোজ অপ শিজিন্নবা য়াওই। অয়াম্বা মতমদা মিদ সোটতগী ক্লোজ অপ তারকপা ঙাক্তনি। থোইদোক্লা জুম শিজিন্নবা থেংনদে হায়বা য়াই। ফিল্ম অসি মিনিট ২০ শাংলবসু মিনিট ২০ মনুংদা মহাক্লা উৎনিংলিবা কয়া অদুদি নিংথিনা ফোঙদোকপা ঙম্বা ফিল্ম অমা ওইরে হায়বা অসিমদি লাল্লরোই।




SPECIAL FEATURES:
• English Medium • Co-education • Affiliated to CBSE • Only Member of British Council of India • Well trained teaching faculty • EDUCOM Smart Class • Well equipped Swimming Pools • Separate Boys' and Girls' Hostels • Chinese Furniture for school and hostels • All weather air conditioned Class Rooms • Hobby Classes including Taekwondo • Transport Service • Fire Safety Equipments • CCTV Cameras for safety •

ADMISSION OPEN

Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*